# ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি : ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং অমসুং ফোর্স ক্ষেত্রিগাও মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ৩লক শুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুংনা পি সী সী ময়ায়কোইবী অদুগা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা শেদো থাংমৈবন্দ মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী কোংবা ধোবী লম্পাক্তা ৱাই পি ঐচ য়ু সী অমসুং পি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন ওক্রম য়াসিকানা বোল ৫০ মায়োক্লবদা রন ৩০, কৈথেল্লোকপম কাত্রিনানা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ১৮ অদুগা মনিথোই সলামনা বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনরল্লবসু লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনীশুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ২৩.৪ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১২৯ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা টার্গেট রন ১৩০ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা জপানি ইরোম অমসুং জোয়শ্রি চরোইবমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। জপানি ইরোম বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ৪ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি অদুগা জোয়শ্রিনা বোল ২৯ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লককখিবা বেটসমেন তোংব্রম নিঙ্কিনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈনা শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা বোল ৬২ মায়োক্লবদা রন ৬৩ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২৯ দা ৱিকেট ৭ তুরগা টার্গেট রন ১৩০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা ৱিকেট ৩দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা ফোর্স অমসুং শেদোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ফোর্সনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ফোর্সনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবী বর্কাটুন খানমনা হৈনা শিংনা শান্নদুনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৫৯ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা কন্না হোৎনরমখি। অদুবু টিম অদুগী লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনীশুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ১৮দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১০৬তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

শেদোনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন ভিক্টোরিয়া থোকচোমনা বোল ১২ মায়োক্লবদা রন ১৬ লৌরমখিবা অদু নত্তনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনীশুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ১৯.১দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ৬১ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ফোর্সনা রন ৪৫দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।







# মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি : মুকখাই এফ সীনা এস দি ও অদুগা ৱাংজিং য়ুনাইটেদনা য়াইরিপোক থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**
সিটি ক্লব গ্রাউন্দ হৈরোক লিতান মখোঙদা হৌজিক চথরিবা ৩লক শুবা মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা মুকখাই এফ সী থৌবালনা এস দি ও শিংজমৈ অদুগা ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ সী জুনিয়রনা য়াইরিপোক এফ সী মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা মুকখাই এফ সী অমসুং এস দি ও শিংজমৈগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৫শুবা মিনটতা মুকখাই এফ সীগী জেক্সন সী ঐচনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা টিম অনীমক্না হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মুকখাই এফ সী থৌবালনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদগী হৌরগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা য়াইরিপোক এফ সী অমসুং ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ সী জুনিয়রগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ সী জুনিয়রগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশীং হেন্না ফংখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ থাগদবা মিনট ফাদ্রবা মতমদা য়াইরিপোক এফ সীগী ইতা খাননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়াইরিপোক এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ সী জুনিয়রগী শান্নরোয়শিংনা মেটচগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। অদুবু য়াইরিপোক এফ সীগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ সী জুনিয়রনা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকখিবনি। ৱাংজিংগী পাঞ্জলশিং অদু পিটরনা ৩, রাজবোইনা ২ চনখিবনি।




# সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নননা অমোফা মোইরাং মায়থিবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা অনীরকশুবা প্রেমিয়র লীগ ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু)না ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ সোসল ৱেলফেয়ের এসোসিএশন অমসুং নিসা মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লল্লোং থোংখোঙদা এস এস য়ু অমসুং অমোফাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এস এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস এস য়ুনা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২১ অমসুং ২৬শুবা মিনটতা রোবর্ট উশম অমসুং এস অমিতকুমারনা চনখিবনি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনাসু মখা তানা এস এস য়ুনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুবু অমোফাগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এস এস য়ুনা পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাকখিবনি। এস এস য়ুগী অনীশুবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু কবিরাজ অমসুং বিকেননা অমমম্ চনখিবনি।

অমরোমদা য়ুথ সোসল ৱেলফেয়ের এসোসিএশন অমসুং নিসাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

# ৱাই পি ও থৌদামনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**থৌবাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট ভোলিবোল এসোসিএশন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা সিফাই লৈকায় গাইদেন্স ক্লব (এস এল জি সী) য়াইরিপোকনা শিন্দুনা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্নুনা এস এল জি সী সিফাই লৈকায়গী শান্নবুংদা মমাং থাগী ৩০ দগী হৌরগা চথরকখিবা ৬লকশুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ভেলেজ মেন্স সব-জুনিয়র ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়নননা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ৱাই পি ও থৌদামনা ওইখ্রে।

ঙসি লোয়শিনবা নুমিত্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই পি ও থৌদামনা এল ঈ দব্লিয়ু এ লমদিংবু সেট ৩-১ (১৮-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২০, ২৬-২৪)দা থোইবা ঙমদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র অমসুং বেষ্ট সেট্টরগী মনানা এল ঈ দব্লিয়ু এগী পি ঐচ ইবোবী অমসুং কে ঐচ সনায়াইমনা লৌখি অদুগা বেষ্ট স্পাইকরগী মনানা ৱাই পি ও থৌদামগী টি ঐচ সঞ্জয়না লৌখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরম অদুদা আর কে টেন্ট হাউস য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাগী প্রোপ্রাইটর কৈশাম রাজুনা অথোইবা মীথুংলেন, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ক্যেরটেকর কাউন্সিল্লর লাইশ্রম সুভাসচন্দ্রনা থৌরম মপু অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভোলিবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট তোইজম গোরোবা, ওল য়াইরিপোক অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি কোংবম মতৌলৈবী, সিটিজন ফার্মাসী য়াইরিপোক্কী প্রোপ্রাইটর এল নেলসন অমদি ভোলিবোল লভর্স থিয়াম রাজধাননচিংবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।




# এম পি এস সীনা ৱাই দব্লিয়ু সী মায়থিবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা ১৫শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৪-২৫ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)না য়ুথ ৱেলফেয়ের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) মায়থিবা পীখ্রে।

সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা ঙসি নুংথিল পুঙ ২.৩০ তাবদগী হৌরগা এম পি এস সী অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুী ওইনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী৫৩ অমসুং ৭৮ শুবা মিনটতা নিলম চনু অমসুং প্রমোদিনি চনুনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।



# ওইনাম কেন্দ্রনা কৈশামথোং কেন্দ্র থোইদুনা সেমি-ফাইনেল চঙখ্রে


**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**
লাইনিংথৌ সনামহী কাং এসোসিএশন (এল এস কে এ), ৱাঙ্গৈইনা শিন্দুনা ৱাঙ্গৈই লোংজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা চথরক্লিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহী প্লেয়র্স মেমোরিয়ল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওইনাম কেন্দ্রনা কৈশামথোং কেন্দ্র মায়থিবা পীরম্লগা সেমি-ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী কাংলোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ওইনাম কেন্দ্রনা পাঞ্জল ৮-৭দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ৭-৭ ফংনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ওইনাম কেন্দ্রনা পাঞ্জল ১৫-১৪দা মায় পাকখিবনি।






## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1468**

**IM M. Yilmazyerli (2520) - Zisis Tsaknakis (2266)**
**31st Kavala Open 2022 Kavala GRE, 2022.07.27**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.exd5 cxd5 4.Bd3 Nc6
5.c3 Nf6 6.Bf4 Bg4 7.Qb3 Qd7 8.Nd2 e6
9.Ngf3 Bd6 10.Bxd6 Qxd6 11.O-O O-O 12.Rfe1 Bxf3
13.Nxf3 Qc7 14.a4 Rab8 15.Qa3 Na5 16.Ne5 Rfc8
17.Re3 Nc4 18.Bxc4 dxc4 19.Rf3 a5 20.Qa2 b5
21.axb5 Rxb5 22.h3 h6 23.Re1 Rb3 24.Re2 Qb6
25.Qa1 Qb5 26.Qc1 Kf8 27.Qf4 Ke7 28.d5 Qxd5
29.Rd2 Qb5 30.Qd4 Qd5 31.Qa7+ Rb7 32.Qa6 Qb5

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1467 Solution :**

**31. g6** *Opening the line from f6 to f8.* **fxg6**
*31...Nxg6 32.Rxe8+ Qxe8 33.Rxe8+*
*31...Rf8 32.gxf7+ Rxf7 33.Rg5+ Kf8 34.Qh8+ Ng8 35.Rxg8#*
**32. Rxh5** *Opening the line from g1 to g8.* **gxh5**
*32...Rf8 33.Rh8#*
**33. Rg1+ Ng6**
*33...Kh7 34.Qg7#*
**34. Rxg6+** *The white rook captures Black's knight, which was defending the square h8.* **Kh7**
*34...Rg7 35.Qxg7#*
**35. Rh6+ Kg8 36. Rh8#** *Killbox mate*
**1-0**






**মমি ৱারী**

## চেকপোষ্ট

থৱান

